# তাইবঙ মপু হায়বা অসি অতৈ কনাসু নত্তে, ঐখোয় ইশা ইশাদা লৈজবা থাজবা অদুবুনি: দা. কোন্সম হিমালয়



ককচিং, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):

তাইবঙ মপু হায়বা অসি অতৈ কনানসু নত্তে, ঐখোয় ইশা ইশাদা লৈজবা থাজবা অদুবুনি হায়না থবক্তগী পোত্থারবা লেফটনেন্ট জেনরেল দা. কোন্সম হিমালয় (হান্না মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগী চ্যেরমেন ওইরম্বা) না ফোঙদোকখ্রে।

ইম্পোর্টেন্সে ওফ সাইন্স এদ্যুকেসন ইন ত্রাইবেল এন্দ সেদ্যুল কাষ্ট পোপ্যুলেটেদ স্কুলস ইন ককচিং এন্দ চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হায়বা হীরমদা দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, মিনিষ্ট্রি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী স্পোন্সর মখাদা সেন্টর ফোর রুরেল ইম্পাৱরমেন্ট এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (সী আর ঈ দি ও)না শীন্দুনা নুমিৎ মরিনি চুপ্না চত্থগদবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংদা নুমিৎ নীনিগী থৌরম অমা হৌদোকপগী থৌরমদা থৌরম মপু ওইখিবা কে হিমালয়না মখা তারদুনা হায়, ঐখোয় মীওইবা খূদিংমক চীফ মিনিষ্টর হেক্তা ওইবা য়াবা নত্তে, সাইন্টিষ্ট হেক্তা ওইবা য়াবা নত্তে। তাইবঙ মপুনা মাগী মাগী শিনফম অমমম অকক্লনা পীরক্লবা ঙাক্তনি। অদুবু ঐখোয় ইশা ইশানদি ইশাবু মশক মুন্না খঙগদবনি। অফাওবা মীওই অমা ওইবা হায়বসি হেক্তা য়াবা নত্তে। মী অমা ওজা ওইরগা হেক্তা ফাওবা নত্তে, সাইন্টিষ্ট ওইরগসু হেক্তমক ফাওবা নত্তে। হীরম অমদি নহাক্কীদমক শোয়দনা তাইবঙ মপুনা পীরমগনি হায়বা অসি ঐখোয়না নীংশিংবা চুমগনি। ইমা-ইপা, ওজা খূদিংমক তাইবঙ মপুনি। তাইবঙ মপুনা নঙোন্দা নহাক নহাক্কী চান্নবা শিনফম লোইনা পীগনি। নহাক্না ফনা কন্না হোৎনরবসু অদু মায়কৈ চুমদ্রবদি মায় পাকপা ঙল্লোই। নোংমা মায়কৈ চুন্নক্লবা মতম অদুদা নহাক শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বা অসিসু খঙজিনগদবনি ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসিগী ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা কে জাদু সোসল ৱর্করনা অথোইবা মীথুং, থবক্তগী পোত্থারবা লেফটনেন্ট জেনরেল দা. কোন্সম হিমালয়, হান্না মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগী চ্যেরমেন ওইরম্বা থৌরম মপু, এসোসিএট প্রো: দা. কেঐচ ইবোহল, হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ওফ এন্টোমোলোজি সী এ য়ু, ইম্ফাল অমসুং কেএসঐচ জয়কুমার, সেক্রেটরি, লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মহৈরোয়শিংনা হান্না শেমজবা খূৎশু-খূৎলায় কয়া উৎলিবা সাইন্স একজিবিসন অমগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা সোসল ৱর্কর কে জাদুনা হায়, হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংনা সাইন্সকী কান্নবা খঙনা শীজিন্নগদবনি। ঙসি নৌরিবা মহৈরোয়শিংনা শেমদুনা উৎলিবা সাইন্সকী পোৎলমশিং অসিনা তাক্লি মদুদি ঐখোয়না কত্থোকপগা লোয়ননা খুন্নাইগীদমক কান্নবা খরদি তৌরল্লি হায়বা অসি তাক্লে। মখা তারকপদসু কত্থোকপা, খাঙবা কনবা অমদি মতম মাঙহন্দনা তুংদা অফাওবা সাইন্টিষ্ট অমা ওইনবা হোৎনদুনা মালেম অসিদা ঐখোয়গী ইরমদম অসিবু মশক তাকপা অমসুং মিংচৎ পুরক্লবা হোৎনগদবনি।

# দিষ্ট্রিক্টশিংদসু লৈঙাক্লা চহী ৪ মপূং ফারকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):

মীয়ামগীদমক লৈরিবা লৈঙাক্লা চহী ৪ মপূং ফারকপগী থৌরম তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু পাক-শন্না পাঙথোকখ্রে।

বিষ্ণুপুরদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা মার্চ ৯দগী চয়োল অমা চুপ্না চত্থরকখিবা থৌরম ঙসি লোইশিনখি। লোইশিনবা নুমিত্তা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সেলেব্রেসন প্রোগ্রাম অমা মিনি সেক্রেটরিএট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দি সী নিতা অরাম্বম, এদিসনল এস পি লুইখাম লানমিও, দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিং অমদি মহৈরোয় কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা খনগৎলবা মহৈরোয় ১০দা সোলর ষ্টদি লেম্প খূৎশিন্নখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী নুপী ২০দসু মেনষ্ট্র্যুএল হাইজীন পেকেজ য়েন্থোকখি।

অমরোমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু দি সী ওফিসকী কাওন্টিং হোলদা ইমর্জিং মণিপুরগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা থৌবাল জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ্যা হাসিনা বেগম, দেপ্যুটি কম্মিস্নর এন বন্দানা অমসুং সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস দা. এস ইবোমচানা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট থৌবালনা পুথোকপা 'মাঙখিগনু থৌনা' হায়বা শোর্ট ফিল্ম অমসু রিলীজ তৌখি। তুংদা জেদ ঈ ও জোন-থ্রীগী মখাদা খনগৎলবা মহৈরোয় ২২৪দা সোলর ষ্টদি লেম্প, স্কুল ২৬তা ফূট ওপরেটিং হেন্দ ৱাশ মেছিন অমসুং টি ভি সেট ১২৭ য়েন্থোকখি।

চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু তুইবোং পীছ গ্রাওন্দগী ওদিটোরিয়মদা থৌরম অসি পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংদা সোলর রিদিং লেম্প য়েন্থোকখি।

থৌরমগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা দেপ্যুটি কম্মিস্নর পাৱন য়াদবনা হায়খি মদুদি, মীয়ামগীদমক লৈরিবা লৈঙাক্লা চহী ৪ মপূং ফারকপগী থৌরম মার্চ ১০দগী চত্থরকখিবনি। লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং (সী এম ঐচ টি) অমদি নেসলনগী থাক্তনা অয়ুসমান ভারতনচিংবা থৌরাং কয়া মায় পাক্লা লৌখৎখি।

বেহিয়াংদা হন্দক্তা প্রধাণ মন্ত্রি ভারতিয়া জন ঔসদি পরিয়োজনা (পি এম বি জে পি) লোঞ্চ তৌখিবগা লোয়ননা মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈরিবা মীয়ামদা খুদোংচাবা কয়ামরুম ফংহনখি। এদ্যুকেসনগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী স্কুল কয়ামরুম নৌনা শেমজিনখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৯গী নভেম্বরদা তোঙান তোঙানবা স্কুল ৪১দা মহৈরোয় ২৩৪৮ মিং চলহনখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা সোলর ষ্ট্রীট লেম্প থান্দুনা মীয়ামগী খুদোংচানবা হোৎনখি। জল জিবন মিসনগী মখাদা কম্ম্যুনিটি সেনিটরি কমপ্লেক্স ৮৮ শেমগৎলে। কুমজা ২০২২ ফাওবদা য়ূমথোঙ খূদিংগী তোতি ঈশিং ফংহন্নবা পান্দম থল্লি হায়নসু মক্লো ফোঙদোকখি।

# কে সী পি (এন)গী কাদর ১ ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):

থৌবাল পুলিসকী কমান্দো অমসুং ৩৯শুবা অসাম রাইফলসকী অপূনবা টিম অমনা ঙসি নুংথিল পূং ১.৩০ তাবদা লংথবালদগী কে সী পি (এন)গী কাদর ১ ফারে।

এদিসনল এস পি (ওপস) সচিদানন্দ সোইবমগী মীৎয়েংখাদা কমান্দোগী ও সী তিকেন্দ্র মীতৈনা লুচিংবা টীম অমনা অসাম রাইফলসকা খূৎশম্নদুনা নেসনল হায়ৱে-১০২গী লংথবাল খুঙ্গং মনাক্তা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা কাদর অদু ফাবা ঙমখিবনি।

ফারবা মীওই অদুদি হুইদ্রোম নোংপোকঙাকপা (২১) এলিয়স জেমস কৌই, ইম্ফাল ইষ্টকী সৈজাং ময়ায় লৈকায়দগী ঐচ সনাজাওবনা পোকপনি। ফারবা মীওই অসি কুমজা ২০১৭তা লালহৌলুপ অসিগী মেজর থেঙ্গ্রা কৌবা মীওই অমগী খূত্থাংদা কে সী পি (এন)দা য়াওদুনা ম্যান্মারগী হনচিংদা নুমিৎ ৯০গী বেসিক মিলিটরি ট্রেনিং তৌরুরে। মখা তাবা লোগী ওইবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা মীওই অদু খোংজোম পুলিস ষ্টেসন্দা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# তৌবুল টোটেল শট দাওন তৌরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):

তৌবুল টু বিষ্ণুপুর, ময়াং ইম্ফাল ফাওনরিবা লম্বী অসি শেম্বগী দেদলাইন অমা লৈঙাক্লা পীদ্রিবা ফাওবা গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট ৩৬ হেন্না লৈরিবা অসিগী গাড়ীশিং হয়েংদগী তৌবুলদা চঙলকপদা অথিংবা থল্লগনি। মসিদা নত্তনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর এসেমব্লি ইলেক্সন্দা কেন্দিদেট অমত্তা তৌবুলদা চঙলকপা য়ারোই হায়বগী ৱারেপ ফাওবা তৌবুলগী প্রজাশিংনা লৌগনি হায়না টিঐচ বির সিংহ, তৌবুল ৱেলফ্যের এসোসিএশসনগী সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মহাক্না তৌবুলগী য়াম্না ফিভম শোকচিল্লক্লিবা লম্বী অসি লৈঙাক্লা করিমত্তা য়েংশিনবীদবা অমদি তৌবুলগী প্রজানা হায়জবশিং অমত্তা তাবীদবা অসিগা মরী লৈননা তৌবুলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা হায়খিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, ঙসিদগী নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা তৌবুল অপূনবা মৈরা পায়বী, ক্লব, ওর্গনাইজেসন ময়াম্না লম্বীসিগী মতাংদা মীফম অমা ফমখ্রে, মীফম অদুদা চৎলিবা থা অসিগী তাং ১৬ ফাওবদা লম্বী অসি শেম্বীদ্রবদি বন্দ তৌগনি হায়না মরী লৈনবা ওথোরিটিশিং হায়বদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি, দি সী, পি দব্লিউ দি ওফিসতা মেমোরেন্দম পীশিনখিবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী রেস্পোন্স অমত্তা লাক্তে, মসি য়াম্না পেন্দে। অসিদা নত্তনা মমাঙ চহীদা সী এমগী মীয়ামগী নুমিৎ অমদসু সী এমগা উনদুনা লম্বীসি শেম্বীয়ু হায়না হায়জখিবা লৈখ্রে। হায়জখিবা ময়াম অসি কনামত্তনা তাবীদবা অসিদি তৌবুল অসি মণিপুরগী মনুং চন্দ্রবরা হায়না খল্লকই। মরী লৈনবশিংদা হায়জখ্রবসু করিমত্তা তাবীদ্রবনিনা হয়েংদগী তৌবুল অসি টোটেল শট দাওন তৌজরগনি। মসিদা মায়কৈ অসোমগী প্রজানসু নিয়ম ঙাক্না চৎপীয়ু হায়না টিঐচ বিরা সিংহনা মখা তাখি।

ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী তৌবুল মৈরা পায়বী অপূনবা লুপকী সেক্রেটরি ৱাই মহেশ্বরিনা হায়খিবদা চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল থাসিগী মনুংদা লম্বী অসি শেম্বা লোইশিনবীয়ু। তৌবুল অসি হৌজিক মণিপুরগী লৈরিবা খুঙ্গং ময়ামগী মনুংদা লম্বী-থোংগী মরমদদি খ্বাইদগী শোত্থবা হায়বদু ওইরে। তৌবুলগী লম্বীনা ঙসিগী ফিভম ওইরকপা অসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ৱাহৈ অমত্তা হায়বীরক্তবা অসিদি ঐখোয়বু থৌশাবীদে হায়বনি। মরম অদুনা তৌবুল শট দাওন তৌবদা ঐখোয় মপূং ফানা সপোর্ট তৌগনি। লম্বী অসি গাড়ী চৎপদি লায়রদনা মীফাওবা চৎপা ঙমশিল্লক্ত্রে। উফুল থোক্লিবা অসিনা অনাবা কয়াসু থোকহল্লি, মসিদা নত্তনা অথু-অকায় অমত্তা নঙদ্রে, হোস্পিটাল চৎপদা খুদোংচাদবা কয়াসু থেংনরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ঙসিগী মীফমগা মরী লৈননা তৌবুল ৱেলফ্যের এসোসিএসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরকপদা হয়েংদগী তৌগদৌরিবা শট দাওন অসিগী মনুংদা ধর্ম্ম, কর্ম্মগা মরী লৈনবা থৌদোকশিং, মৈহৌ লাংপোক, ঈশিং, লাইরিক লাইশু তম্বগা মরী লৈনবশিংদি কোমথোক্কনি। তৌবুলদা লৈরিবা ক্লব ওর্গনাইজেসন অমদি মৈরা পায়বী লুপশিংনা থল্লিবা নিয়মশিং অসি মখা তানা দেদলাইন অমা লম্বী অসিগা মরী লৈনবা অমা হেক ফংদ্রিবফাওবা শটদাওন মখা চত্থখিগনি লোয়ননা থা অসিগী ১৭তগীদি তৌবুল মনুংদা ফল্লিবা দুকানশিং, এঙ্খাং-নাপী য়োল্লিবশিংদি হাংবা য়াগনি।

# লৈবাক শিনবা থুংনা নুমীৎ নীনি চৎথগদবা বেঙ্কশিংগী ষ্ট্রাইক ঙসিদগী হৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):

পার্লিয়মেন্টকী বজেট সেসন্দা পব্লিক সেক্টর বেঙ্ক অনীবু প্রাইভেটাইজ তৌরগনি হায়না লাউথোকখিবা ৱাফমবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা লৈবাক শিনবা থুংনা নুমীৎ নীনি চৎথগদবা ষ্ট্রাইক ঙসিদগী ষ্টেট অসিদসু হৌখ্রে।

য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়ন্স (য়ু এফ বি য়ু) মণিপুর ষ্টেটনা শিন্দুনা এম জি এভেন্যুদা লৈবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া ইম্ফাল ব্রাঞ্চতা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা য়ু এফ বি য়ু মণিপুর ষ্টেটকী কনভিনর এল মাইপাকনা ফোঙদোকখিবদা পব্লিক সেক্টর বেঙ্ক প্রাইভেটাইজ তৌগনি হায়বা ৱাফম অসি তশেংনা লো অমদি মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা থবক অমনি। বেঙ্ক প্রাইভেটাইজ ওইখিবা হায়বসিদা মাঙজরিবা অসি লৈবাক মীয়ামগী ওইগদৌরিবনি। নেসনলাইজ পব্লিক বেঙ্কশিংনা হান্না মীয়ামদা পীরম্বা এদ্যুকেসন, এগ্রিকলচর, হেল্থ অমদি তোঙান-তোঙানবা সেক্টর কয়াদা পীরম্বা লোনগী খুদোংচাবশিং পূম্নমক অদু করিগুম্বা বেঙ্কশিং অসি প্রাইভেটাইজ তৌখ্রবদি খুদোংচাবশিং অদু লোইনা মাঙখ্রগনি। নেসনলাইজ বেঙ্কশিংনা পীরম্বা খুদোংচাবশিং অদু প্রাইভেটাইজ বেঙ্কশিংনসু পীরকপদি য়াই। অদুবু হান্না লৈরম্বা ইন্টরেষ্টকী চাংদগী য়াম্না ৱাংনা হেনগৎলক্তুনা মীচম মীয়াম্না পুবা-থাংবা ঙম্লোইদবা পোৎশক অমা ওইরক্কনি।

ঙসি পাঙথোক্লিবা ষ্ট্রাইক অসি সেফ দ কন্ট্রি অমদি সেফ দ বেঙ্ক হায়রিবা পান্দম অসিদা পাঙথোকপনি। লোয়ননা বেঙ্ককী থবক লেপ্তুনা বেঙ্ককী থৌমিশিংনা ষ্ট্রাইক তৌরিবা অসি করিগীদমক তৌরিবনো হায়বসি মীয়ামদসু খঙহনবা মথৌ তাবনা লৈবাক শিনবা থুংনা ষ্ট্রাইক অসি পাঙথোকপনি। নুমীৎ নীনিগী তোলোপ কৎথোক্তুনা অমদি থবক লেপ্তুনা চৎরিবা ষ্ট্রাইক অসি লৈবাক মীয়ামগীনি হায়বা ৱাফম অসি মীয়াম্নসু খঙবিবা অমদি সপোর্ট তৌবিবা চঙই হায়না ফোঙদোকখি।

ষ্ট্রাইক অদুদা শরুক য়াখিবা য়ু এফ বি য়ু মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী চ্যেরমেন সোরাম বিজোয়না হায়, হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা নেসনলাইজ বেঙ্ক অনী প্রাইভেটাইজ তৌরগনি হায়বসি লৈবাক মীয়ামদা য়াম্না মাঙজগদবা লৈবা মরম্না তুমিন্না লৈবা য়াদবদগী ট্রেদ য়ুনিয়ন য়াওনা বেঙ্ক য়ুনিয়ন ৯না পুল্লগা শেম্বা য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়ন্স (য়ু এফ বি য়ু)না শিন্দুনা লৈবাক শিনবা থুংনা নুমীৎ নীনিগী ওইবা ষ্টাইক অসি চৎথবনি। ইন্দিয়া হায়বা লৈবাক অসি চাদা মীওই ৭০দি খুঙ্গংদা লৈবনি। নেসনলাইজ বেঙ্কশিংনা খুঙ্গংদা বেঙ্ক হাংদোক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পাঙথোক্লি। পব্লিক সেক্টর বেঙ্কশিং শোৎথরে হায়রিবা ৱাফমশিং অসি য়াম্না লানবা ৱাফমনি। বেঙ্কশিং প্রাইভেটাইজেসন ওনখ্রবদি পরমিনেন্ট জোব হায়বদুসু লৈরক্তবগা লোয়ননা বেঙ্কতা থবক তৌরিবা থৌমীশিংগী জোব সিক্যুরিটিদসু খুদোংচাদবা কয়া লাক্কনি। পব্লিক সেক্টর বেঙ্কনা নেসনগী ইনকম গ্রোথ পুরকই। মরম অদুনা পব্লিক বেঙ্ক অমদি নেসন প্রাইদ কনসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# রেজিং দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):

হেদক্কার্টরস ইন্সপেক্টর জেনরেল অসাম রাইফলস (সাওথ)কী ১৭শুবা রেজিং দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কুমজা ২০০৪গী মার্চ ১৫দা আই জি এ আর (সাওথ) লিংখৎখিবনি। ঙমখৈদা লৈরিবা ষ্টেট অসিগী সিক্যুরিটি ফগৎহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা লালহৌবা নমথনবগী থৌরাংদা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা লাকখিবা আই এ আর (সাওথ)কী ১৭শুবা রেজিং দেগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসকী ইন্সপেক্টর জেনরেল মেজর জেনরেল অলোক নরেসনা রেঙ্ক খূদিংমক্তা লৈরিবা ফোর্স অসিগী লান্মী খূদিংমক্তা য়াইফ-পাউজেল পীখি।

আই জি এ আর (সাওথ)না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, 'ফ্রেন্দস ওফ মণিপুর' হায়না খঙনবা অসাম রাইফলসনা ষ্টেট অসিদা ঈং-তপ্পা ফিভম লৈহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখত্তুনা লাকখি। খুঙ্গংগী মনুং হঞ্জিনবা মফম কয়াদসু চাওখৎ থৌরাং কয়া লৌখত্তুনা মীয়ামগী মতেং পাংলি। ফোর্স অসিনা মণিপুরদা লৈরকপদগী ঙসি ফাওবদা মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি।

# এম দি য়ুগী ৯১শুবা ফাওন্দেসনগী থৌরমদা 'কাপখাইরমদাই' উৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):

মণিপুর দ্রমাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু)গী ৯১শুবা ফাওন্দেসন দেগী থৌরম ঙসি য়াইস্কুলদা লৈবা এম দি য়ু হোলদা পাঙথোকখ্রে।

এম দি য়ুগী ফাওন্দেসন দেগী থৌরম অদুদা শক্লাইরবা অইবা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি এলাংবম দীনমণিনা ইবা এম দি য়ুনা পুথোকপা 'কপাখাইরমদাই' হায়বা দ্রমা অমা উৎখি। দ্রমা অসিগী দিরেক্টর ডা. অথোকপম খোলচন্দ্রনা দ্রমা অসিগী মতাংদা ৱারোল পীরদুনা হায়, লমদম অসিদা মীয়ামগীদমক অচুম্বগীদমক থম্মোয় শেংনা মশাগী মথৌ পাঙথোক্কে খঞ্জবা থৌনা ফরবা মীওই ঐখোয়গী ইরক্তা লৈরি। অদুবু ঙসিগী খুন্নাই অসিদা মীয়ামগী লুচিংবনিদি হায়রগা 'লুচিংবা' হায়বা মিংথোন অদুতমক পায়শিল্লগা খুন্নাইগী অমোৎপশিং শেংদোকপিবগী মহুৎতা মশাতগী নুংঙাইনবা খন্দুনা হিংবা লুচিংবা শাবা মীগী মশিংদি নোংম-নোংমগী লেপ্তুনা হেঙ্গৎলক্লি।

অদুঙৈগী খ্বাই নুংজেং পিবাগী মতমদগী লৈরক্লবা কোরৌ মশিং য়ামখৎলকপগী, মীচম প্রজানা খম থেংনা ৱাবা মায়োক্লবগী চৈথেং অসি করি কমদৌনা কোকহনবা ঙমগদগে হায়বা অইবনা থম্বীরম্বা ৱাহং অসিমক খ্বাই মীয়ামগী মফমদা য়ৌহন্নবা হোৎনজবনি। অইবা মশানা পামজবা দাইরেক্তরিয়েল নোট ফাওবা শেম্বিদুনা থম্বিরল্লবা দ্রামা অসিগী পীনিংলিবা অইবগী পুক্নিংগী ৱাফম অসি খরদং ওইরবসু মীয়ামদা য়ৌহন্নবা হোৎনজবনি হায়খি।


ADMISSION OPEN

ENGLISH & RHYMES COURSES

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/6777/10/2-16/3 (alt)

OFFICE OF THE
YAIPHARE GROUP OF FINANCE
(Y.G. FINANCE)
H.O. CHINGMEIRONG NEAR EASTERN MOTOR
IMPHAL EAST – MANIPUR

Be a winner of Rs. 20 Lakhs
Lucky Draw Rs. 1 Lakh
Starting From 15th April, 2021
Monthly Rs. 4000/-
Lottery Cum Tender

Urgently Wanted 50 Agents
Agents will get monthly income Draw Timing : 2 :00 p.m.

For more details Plize Contact
Office timing 9:30 a.m to 4:00 p.m.
Contact No. 7642042874, 9362147856

Sd/-
Manager
Yaiphare Group of Finance

HL-B/6847/12/3-11/4 (alt)

R.M. SCHOOL
A State of the Art Education
Kwakeithel Heinoukhongnembi, Imphal West District, Manipur-795001

WANTED TEACHERS

Applications are invited from the young, dynamic, qualified and experienced teacher for the following subjects/posts.

Qualification: Graduate or above, preference will be given to the experienced teacher

(Only Experienced Teacher for class VIII to X)
Maths./Bio/MM/English/Civics & Eco
Freshers can also apply for the following classes:

1. Maths for class IV to VII.
2. History for class VI to VIII.
3. Geography for class VI to VIII.
4. Hindi for class IV to VI.
5. Comp. Sc, for class IV to VII.
6. English for class IV & VI

Salary: Negotiable

WANTED : MALE & FEMALE WARDEN
SALARY : 12000/- TO 15000/-
NOTE : Candidate may apply alongwith their CV during school hours (9:30 am to 2:00 pm).

HL-P/9280/11,14,16

ADVANCED COACHING INSTITUTE

FOUNDATION COURSE FOR VI TO XII 2021

OUR POSITION HOLDERS IN HSLC, CBSE AND COHSEM EXAM

COUNT IF YOU CAN ..................

ARTS

3RD Post '20 PH. FIROJH. 7TH Post '20 TH. OBINKUMAR 8th Post.'20 N. PARITON 8th Post.'20 N. PARIHAN 10th Post.'20 S. SANATHOI 5th Post '19 SHARMELI 5TH Post '19 H. BERON 8th Post. '19 L.INTHOINGAMBI 10th Post. '19 L. BRINDASHI 19TH Post '20 ELIA NEPRAM 19TH Post'20 R.K. NEVITA 2th Post'19 ASEM SOPHIA 7th Post'19 W. NINGTHEM

SCIENCE

4TH Post '19 ROBINSON 6TH Post '19 SHAH MINHAZ 8th Post.'19 ANJU ANAND 9th Post.'19 THOUNGAMBA 16th Post.'19 SAMANANDA 7th Post'19 W. SANAMATUM 8TH Post'19 U. ADHITYA 15th Post.'19 REHAN YUMNAM 22th Post.'19 R OSHAN KH. 23th Post'19 RICKY KHAIDEM 23TH Post'19 SOIBAM DIANA 24th Post.'19 L. AMUINGBA S. NEHA CBSE—95% MANY MORE TOP-PRS

RAPID TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
⟹ QUESTIONS ANALYSIS BASE ON PREVIOUS YEARS QUESTIONS OF HSLC, CBSE & COHSEM
⟹ TO SCORE HIGH MARK AND EASY TO EXAM PATTERN SYSTEM

TIME (MORNING) 04.30 — 7.50 A.M. & (EVENING) 04.30 — 7.50 P.M.
SEPARATE HOSTEL FOR BOYS & GIRLS'
★ SPECIAL FEE CONCESSION ON GOVT. SCHOOL & 90% ABOVE IN X EXAM.

SPECIAL REVISION COURSE FOR 2021

FOR QUARY : 9862992105

CLASS XII (SC. ARTS & COMMERCE) CBSE & COHSEM — 22nd & 25th FEB.
CLASS X (CBSE & BOSEM) & XI (SCIENCE) — 22nd & 25th FEB.
CLASS XII (SCIENCE) CBSE & COHSEM — 4th & 8th MARCH
CLASS X (CBSE & BOSEM) & XI (SCIENCE) — 4th & 8th MARCH

★ HALF FEE ON REVISION COURSE OF EX-ACIAN STUDENTS.
★ VAN SERVICE BOTH MORNING AND EVENING
★ FREE FOR RANK STUDENTS IN HSLC EXAM 2021
★ SEATS ARE LIMITED FIRST COME FIRST SERVE
FOUNDATION COURSE FOR CLASS 6 TO 9 IS GOING ON
LOG ON : fb / youtube / google - advanced coaching institute

NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH

HL-B/6807/23/2-25/3



## / ইঙ্খোল য়োঙ্গরি

অচীনবা অমগীদমক Nambol Khori Leikai দা লৈবা ০.১৩৫ পাক চাউবা ইঙ্খোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঙ্গরি। কনাগুম্বা পান্বীবা মীওইশিংনা মখাগী পীজরিবা কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

Sd/- Toijam Ibomcha Singh
Nambol Khori Leikai, # 8794309278

HL-P/9315/16,17

## / শেংদোকচবা

ঐগী খন্থহৌদবা ৱাখল অমদগী কে ঐচ রেবিকা দেবী, মপুরোইবা কে ঐচ হেমোচন্দ্রা সিংহ লৈফম খাঙবোক মখা লৈকাইদা লৈবীবু ঐনা হুরানবীনি হায়না হায়খিবদু লাল্লে হায়জরি। কে ঐচ রেবিকা দেবীগা ঐখোয়গী মাঙখিবা পোৎ-চৈগা করিগুম্বা মরী অমত্তা লৈনদে হায়জরি।

শেংদোকচরিবী : Laishram (O) Shila Devi
W/o L. Gobin Singh, Khangabok Makha Leikai,
#9856313645

HL-B/6857/16

## / SMART CARD LOST

I have lost my original Smart Card of HONDA ACTIVA-5G DLX, Blue Colour bearing Registration no. MN01AE-2191 issued by DTO, Imphal West on the way between Bazar and Chingamathak on 10/03/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Mr. Sinam Jeshwanta Singh
Chingamathak Pishum Leirak
# 9774101430

HL-P/9316/16

## / JOB FOR FRESHERS

ISO 9001:2015 Certified organisation amagidamak Imphal amasung Manipur gi major District singidamak oigadaba official Post 67 athubagi oina thabak koujari, Thabak asigidamak Class X, XII, Graduation pass toukhraba amadi tamliba student faobanasu apply toubiba yagani.

| | | |
|---|---|---|
| Age Limit | : | Below 35 yrs. |
| Income | : | Rs. 10,000/- to 37,000/- (P.M) |
| Facility | : | Fooding + Lodging Available |
| Visiting Hour | : | 12 noon to 3 pm. |

NO DEPOSIT SYSTEM

Apply toubiningbasingna athuba matamda ishagi Biodata ga loinana athuba matamda tanabiu.

Contact : 9774986962, 8837369704

HL-P/9311/16,18,22

## / খোমদ্রাম শাগৈগী পাউজেল

খেকমন তাবা খোমদ্রাম অপোকপগী অনকপা অমদি অরাপ্পদা লৈবীরিবা নুংশিজরবা শাগৈচাশিংদা নোল্লুকপা ৱাফম অমত্তং থমজরি। মদুদি, লাক্লিবা তাং ১৮/০৩/২০২১ শগোলশেন নুমীৎ লমতাগী ৫নি পানবা অসি, চহী খূদিংগী চত্থরকপগুম্না অপোকপা খুরুমজগদবা নুমীৎ অদু ওইরে। মরম অসিনা চাদা নাউদা ওইবীরিবা ইকাই খুম্নজরবা খূদিংমক্লা হাকুম ২০২০দগী চৎনবা হৌখ্রবা লাইগী শেনখায় লুপা ৩০০/৩০০ (চাহুম/চাহুম) অদু শোয়দনমক্কী পীখৎপীরক্লো। মসিগা লোয়ননা হৌজিক অসি COVID-19 গী অকিবা লৈরিবনা, লেঙবিরকপা মতমদা এস ও পি ঙাক্লা চৎপা কাউবীরক্কনু। কা হেন্না মকা লামথোক্লুবা তৌদনা, লাঙবা নিনবসু য়াওদনা, ঈংনা-চিক্লা ইবুধৌ ইবেন্ধৌবু খুরুমজদুনা অফ-নুংঙাই নিমিন্নরসি হায়না পাউজেঙ্গরি।

শোয়দ-ঙামদবা ওইমিন্নরসি : **খোমদ্রাম চাউথোই**
শাগৈ পিবা, খেকমন লাইফম।

HL-P/9320/16,17

THE MANIPUR STATE PENSIONERS' UNION

খঙহঞ্জবা

তাং ১৩/৩/২০২১দা ফমখিবা Manipur State Pensioners' Union গী Executive Meeting গী অহানবা Resolution গী মতুংইন্না Pensioners' Tengbang Marup কী 2020 গী General Body Meeting লাক্লিবা নোংমাইজিং তাং ২১/৩/২০২১গী পুং ১২.৩০ তাবদা Pishum Thongkhong দা লৈবা Pensioners' গী Shanglen দা মথক্তা পঞ্জরিবা মফম অমসুং মতমসিদা P.T.M. গী Member শিংনা শুকশোয় শোয়দনা য়াওবীরনবা নীংশিংজরি।

Sd/- Secretary
M.S.P.U. Imphal

HL-P/9314/16